# খন্বা থোইবী শৈরেংদা *লৈ-রোন* : লৈশক লৈচু হেল্লবী লৈরাং লৈখন কয়াবু শৈথারিবা নুংশি শৈশক শৈরোন

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

নোংবান্দো লৈরোই মকোক অমা ওইবগী থৌগল অদু ফংজখ্রে। খন্বগী থৌগল মতাং অমুক লাক্লে। লৈবাক নিংথৌ, মীয়াম্বু খুরুমজরবা মতুংদা মচেমগী নাক্তা য়াইফ-থৌজাল নিজবা চঙলকই। মাইবী হঞ্জবীগী মফমদা থৌগল্লোন হৌন-লোনচৎ উত্তুনা হংজরগা মাগী পাউতাক তুংইন্না লৈ কৎননবা পুকমেন পাউমেনবীরকই। মচেম খুরুম্লম্লগা মাইবী মনাক্তা চঙদুনা মাগী লৈরাং ওকপীনবা হায়জরকই। নোংবানগী অথীবা খোন্দানা খোয়শাওনহল্লবা মাইবীশিংদো মহাক্কী থৌগল্লোন য়াওবা ৱাহৈ খোনফমদুনা মবুক্লিং পেলহল্লম্মী। য়োৎকী খুরুম তোংবী, লাইনিংথৌ থাংজিংগা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবী মাইবী হঞ্জবী খুরুমজগে হায়জরকই। মাইবী অমনা পাউদম্লুবদগী মাইবী হঞ্জবী অদু য়োৎকী খুরুম তোংলগা য়োৎকী চৈশু পায়দুনা থোরকই। খন্বনা খুরুমজবদা পারী-পুরি হংবীরকই। অশেংবদু খঙলবদা মতম কুইনা মচিন মৌপ্পাবু কাউথোক্লুবগীদমক নিংঙমদবা ফোঙদোক্লগা খন্ববু নুংশিনা কোনশিনবীরে। লৈচা মাপন ফাংবা অমা লৌখৎলগা লাইনিংথৌদা অমসুং নীপান ফাংবা অমনা কোইরেন লৈমা লাইরেম্মদা কৎলে। মতম অদুদা সন্দংখাদগী নোংলৈ নুংশিৎ হুমজিল্লক্তুনা লাইমাংদা লৈরম্বা লৈরাংশিংদু পুখৎখিদুনা অতোপ্পা লাইশিংদা কৎপগী ফীভমদা লৈখিবগা লোয়ননা লাইকোন্নুং অদু নোংথাংনা পুঙান ঙালহনখ্রে। লাইথংনবী মাইবী লেঙথোরকপা অমদি পীরিবা খুদম চাংদম অদুদা খন্ববু চিংঙু লাইনা থৌজানবীরবনি হায়না মীয়াম্না শোন্নখি। হঞ্জবীনা লুচিংদুনা মাইবীশিংনা শরিক খীংলগা লাই তাইনরিঙৈদা খন্বনা লাই খুরুম্লম্মী। থোইবীসু হৈরাং কৎকে হায়না লেঙশিল্লকই, মাইবীশিংনা লৈ ওক্তুনা কৎলি। খন্বনা শাংদ্রোং শাংনা তিংথোক্লগা লৈবদু উবদা লাই লম্লানবা ওইরমাল্লে, তাইরেন মশানা মনঙ্গন্দা ফূথগে হায়রম্মী। ৱাজরক্লবী মচেম্বু চাম্ম-চাম্মনা খুজিং ওইদুনা অওং-অউন তম্লগা লুহোংদুনা লমন শিংবা ঙমহনবীয়ু হায়না খুরুমজরম্মী। মতৌ অসুম্না খন্বনা লৈরাং অমসুং থোইবীনা হৈরাং কৎতুনা খন্ব্রাংননা খুরুম্মীন্নরে। নিংঙোল পাখং অনী লৈপুন ওইবা পীনবীগে হায়বা লাইপাউ তাবদা মজাইবেম্মা হরাও মোমোন্না লাইনুংদগী থোরক্লগা ফমফল্লাংদা লেঙশিনখ্রে।

খুমন খন্বসু থোংলেন্না য়েত্তা, চাওবনা ওইদা, ফৈরোইজাম্বনা তুংদা ঙাক শেল্লগা লৈ য়েনবা থোরকই। লৈঙাক মপুগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লকপদা মপাইবুংঙো পুরেম্বগী লৈ খূৎপীগা মান্নবরা হায়বদু য়েংনীংবনা লাঙতক্ল রম্মী। খন্বনা হঙ্গৎপা নংদ্রিঙৈ লাইনিংথৌগী লৈ পুজরক্লে হায়না চাউবনা পাউতাকই। শাওনীংলবা নিংথৌনা লৈরোই মকোক কনানো হংলকপদগী অনীদু মরৈ ঙাইহাক তৌনৈ। খন্ববু করিমত্তা খঙদবগী মওংদা মথৌ নত্তনা অহৈ-অপা শাই হায়দুনা থোংলেন্না চৈবীদুনা খন্বা শোয়গদরা হায়না হাক্কন চঙলুবদা চোপ্পা ইকায়বা নংলবা চাওবদো মফম্লাংদা চঙদুনা ফমখ্রে। মদুদসু খন্বনা মনা-মথুম ফংলকপদা মাগী শরুক ফংহৌনবা তৌরিবনি হায়না লক্করকপা থোংলেনগী ৱাহৈশিংদুদা ইকায়বনা মমায় ঙাঙদুনা হুমাং শীন্থৈ। হুমাংদো থোংলেন্না তৈথোকপীবা, পূন্নমক্তু য়েংলগা নিংথৌ সনা পূক্লিং পেঞ্জনা মোমোন নোকচৈ। খন্বনা লৈরাং অমা লৌখৎলগা কৎলি। লৈগী মমিং নিংথৌনা হংবীরকপদা মিৎকুপ অমা অনীদং ৱাখল তৌদুনা লৈ। চাওবা নোংথোম্বদো নুংশা থীবনা লোইরে, খন্বদু লৈরোন কাউথোকখিবা মরম্না পাউখুম পীবা ঙমদ্রে খল্লুবননি। অফুৎ অহো মেনখৎনবা হোৎনদুনা ৱা পাংলুবদা থোংলেন্না মাবু শেরান তুরান ঙাঙবীখিবনি হায়না শাওরম্মী। মতৌদুদা থোংলেন্না ইথৌ থৌশাদখৈ লৈ হায়বসি মীনা পোকপা নত্তে, চীংদগী হেক্লকপা সনা মচু মানবা উরৈনি কোক হেক খুম্মু হায়রম্মী। খন্বনা মাদি লৈরাংগী মমিং খঙজদে অদুবু মচেনা তাকপীরকপা মতুংইন্না লৈশক লৈচু হেনবী লৈরাং অদুগী ৱারী ৱাখোঙ লীবগা লোয়ননা মেলৈ লৈম্না নুংজুম্বান কদাম্বা লৈনুংশি কৌই হায়না হঙ্গৎচখি। অসুম্না সয়িরৈ, ক্বাক্লৈ, এরুমলৈ, লৈশং খেকৱাইদা লৈশেংলেন, সংব্রৈ, লাংথ্রৈগী মরমদা শৈশক শৈথাদুনা লৈরোন ৱারী লীবগা লোয়ননা কৎচরবদা মোইরাং নিংথৌ হায়নীংঙাই লৈতনা অপেনবা পোক্লদুনা লাইগী লৈমন্দু লায়র লমজা মখূৎমক্লা থেংননবা তাকপীরম্মী। নিংথৌ গুণনা ৱাংমনখিবনা মপু সনা নাক্তা পাক হেক চঙশিনবা ঙমদে, লৎকক তৌই। অদুবু নিংথৌনা হঙ্গৈইদনবা তকশিল্লবদা লৈরাং অমা মপুগী কোক্তা থেংখ্রে। লৈরাং অদু মফম চানা থেৎলবদা সনা পূক্লিং তাবগা লোয়ননা ইনৌ নৌথোকচখি।

পন্দুপ অসিবু লৈরোন হায়না মিংথোনবা ওন্থোক্লসু চুনখ্রে। লমদমসিদা ফংবা লৈশক লৈচু হেনবী, লৈনম্না লৈকায় পল্লানবী লৈরাং লৈখন কয়ানা মাগী-মাগী চুনজবা ঋতুদা শাৎলি। অসিগুম্লবা লৈরাংশিং অসিগী ৱারী ৱাখোঙবু মরীক চুম্না শৈথারিবা শৈশক শৈথারোল কয়া ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্মী। মৈদিংঙু চরাইরোংবা মশামক্লসু লৈ মখল চাম্মগী মরমদা শৈথাবা *লৈরোন* খুদোল তন্বীরম্বগী ৱাফম থেংনৈ। লৌখৎচরিবা পন্দুপ অসিমকসু মথক্তা থমজখিবা লৈ মখল নীপানগী লৈরোন মরীক চুম্না শৈথারি, লৈবাক নিংথৌ, অঙম অথৌ অমদি মীয়াম তিল্লিবা লাইনিংথৌ থাংজিং হরাউবগী লাইবুংদা লায়র লমজা খুমন খন্বনা শৈথাজরকপনি। মাদি খঙজবা নত্তে মচেম্না তাকপীবনি হায়বা মৱাহৈনা মচেম্লুসু ৱাংনা থাংগৎলি, মশামক্কী নোল্লুকপা মতৌসু ফোঙদোকই। শৈথারকপা মতুংইন্না নিংথৌনা (থেংনজরকপগী মতুংইন্না কংলৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবনি) মনাও নুপা মিৎস্না মোংয়াং চাওববু পুরুমদা লোইপোৎ থৌরুনবা থাখিবদা হাৎতোকপীখ্রে। মনাওগী মকোক অদুনা লৈরাং ওইনা খুনগী পন্থোঙদা শাৎলম্মী। মদু পুরক্লগা কংলা উক্রোংদা থাদুনা মেন তোংবদা য়াওই হায়দুনা মেলৈ হায়না মিংথোনখি। ৱাংনা তাম্না শাৎলি হায়দুনা হৈরম খুঞ্জান কাঙবুনা কদাম্বা, হৈরেম মবুং ওইবা অমনা নুপী অমগীদমক হেকপীবদা জুম-জুম লাওনা তারকই হায়দুনা নুংজুম্বান অমসুং য়েংবদা নুংশিবা লৈনি হায়দুনা লৈনুংশি, অসুম্না পূনশিল্লগা মেলৈ লৈম্না নুংজুম্বান কদাম্বা লৈনুংশি হায়না মিংথোনখিবনি। লৈরাং অসিগী লৈরোন শৈথা মসিনসু লোইদে, অতোপ্পা অমদসু শৈথারি। হৈরেমগী কদাম্বা অমসুং খুঞ্জানগী নুংজুম্বান হায়বা অথৌবা অনীনা লম মুন্নবগী মতাংদা চায়নবদা অনীমক থৱায় মাঙখি। উগী উকাদা য়ুংশিনহৌবা মখোয় অনীগী তাশিংদু মেলৈ লৈরাং ওইনা হৌরকখি। মৈতৈ নিংথৌনা লৈরাং অদুবু ফুক্তুনা পুরক্লগা নীংথিজনা থাখি। পোইরৈ লমদমদা তাইনা মেন্না থাখিবনে, সনা মচু মানবা লৈশক লৈচুনে, য়েংবদা নুংশিবনে, অথৌবা অনীগী মমিংনে পূনশিল্লগা মিংথোনখিবনি। মমাঙঙৈগী মতমদা লৈরাংশিংবু অদুক্কী মতিক মমল লৈনা লৌনরম্বগা লোয়ননা মীওইবগী থৱায়না ওনবনি থাজনরম্বগা লোয়ননা লৈ অমা উবদা মমিং থোনবগী ৱারী-ৱাখোঙ পুথোকপা ঙম্বগী ৱাখল লৌশিং লৈরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। লৈরাংশিংগা মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়বগী পাউজেলসু পীরি। মসিদসু নত্তনা কাঙলূপ অমগা অমগা মুক্নরম্বা, অমনা অমদা লোইপোৎ কারম্বা, চায়নবনচিংবা কয়াবু পাউদম্লিবা মতাংনি। অঙনবা মতমদা খূৎকন পাঙ্গন্না মনীং তম্না পাল্লম্বা হৈরেম খুঞ্জান অসি কাঙলূপ অনী পুনশিন্নখিবা ওইরম্বা য়াবগী মমি তারি।

সয়িরৈগী ৱারীনা নুমিৎ কাপ্পগী ৱারীবু নৌহৌনহল্লি। খ্বাই নুংজেম্বম পিবাগী তেন্না তাওহুইরেং অহনববু কাপথখিবদু শৈথারি। তেন্না নুমিৎকী খোংলক্তা পান্দুনা শীন্থরকপা ঈ অদু মাঙফদবা ওইবনা সয়ি উগী কারক্তা তাখি। ঈ অদুনা তাখিবা উকা অদুদা শাৎলকখিবা লৈরাং অদুবু সয়িরৈ হায়না মিংথোল্লি। লৈরাং ক্বাক্লৈগীসু ৱারী শীংবুন লৈরম্মী। মণিপুরী খুন্নাইগী ৱায়েন কাটি, পিবা ফম্নচিংবগী মচৎ মওং তাকপনি। মীওইবগী পুন্সি মচৎ অমসুং থৌওং থৌচৎপু উচেক ৱায়ানা পানশিন্দুনা শেন্বা থাজ ৱারীনি। উচেক ময়াম খুন্দিন্নবদা পিবা ফম মুন্নবগী ৱাথোক লাকই, ক্বাক্লা নিংঙাই হৌবগীনি। ৱায়েনবীনবা লাইগী মনাক য়ৌরকই। লাইনা ৱায়েনবদা ক্বাক্লা লানবা ওইরম্বদগী মতু অমা ফোয়রগা ৱাকোংখি। খোয়ুম লাইনা চানবীরদুনা মতু অদু উকাথক্তা থাবীখি। মদুনা ওনখিবা লৈরাং অদু ক্বাক্লৈনি। (মরী লৈনবা অতোপ্পা থাজ ৱারী অমসু কলম অসিদা হাপচখ্রে)। লৈরাং এরুম্লৈ ইচম চম্বা লৈরাং নত্তে। চোথে নিংথৌ নুংজোংবা মমোল্লোই চোথে নিংঙোল মপারী উনা নন্দুনা শিরে। মচা কায়নবগী তেংথাখোন তাবদা পাখংবনা অঙাং অদু হিংগৎহল্লগা মমাগী মনাক্তা থারকখি। নোং ঙাল্লকপদা মমা মচা চত্তুনা পাখংবগা উনরুবদা য়েন অমা খুদোল তন্বীরকই। য়েন অদুনা কোকপা য়েরূম অদু উকাথক্তা থন্বদা লৈরাং ওইনা শাৎলক্লে। চোথে নিংঙোল অমদি মথংলেন পাখংবা, মপারী অহুম্মক্লা লৈরাং অদু হেক্লগা চিল্লম্মী। য়েন মরূমদগী ওনবা লৈনি হায়দুনা এরুম্লৈ হায়না মিংথোনখি। লৈরাং লৈশংগী ৱারীদি হাওরোক কোন্থৌজম চনুগী মপারী মমোম শেৎন খাইনবৈ নুংওন ৱারীনি। অনেম-অৱাং, অমাং-অশেংগী চৎনরোলনা পীবা চৈথেং অদু ময়েক লানা উৎলি। নোংমা চিংউ ইন্দ্র সোরারেন মালেমথক্তা কূমথরকপদা য়েলাং কেংঙোই হেক্তুনা লৈবী হাওরোক কোন্থৌজম চনুগা থেংনরে। মবুক্লিংনা খোয়দারদুনা মাগী তালোই ওইননবা হায়রকপদা মপাম লমদম্বু শিদ নাদবা পীনবীয়ু হায়জরম্মী। চিংঙু সোরারেননা য়াবীরদুনা কোরৌথক্তা কামিন্নখ্রে। নোংমা কোন্থৌজম চনুনা মপাম লমদা য়েংথরকপদা মী অশিবা পোলোয়বগী মৈখু খুবা উরম্মী। মপাম লমদম্বু শিহল্লোই নাহল্লোই হায়রগা শিহনবীরে হায়দুনা মপুরোইববু ৱারৌরম্মী। মী নত্তে হুই অশিবা লৌবগী মৈখুনি হায়বা মপুরোইবগী ৱাফমদু থাজদবদগী মপাম কূম্লকপদা মাবু উনীংমনবদগী লৌনম তৌবা ওইরম্লে। মপুরোইবনা হায়বদু চুম্লম্লবদা মহাক য়াম্না ৱারৌরম্মী। ফিজং লারোন খল্লগা চামিন থকমিন্নখিসি হায়রকপদা য়াদবা ঙমদদুনা চাগে হায়না চঙলুবদা সোরারেননা উথোকখ্রে। মতিন শীৎথরকপদা কোন্থৌজম চনুগী খুদাংদা তারে। চীংঙু মানা উখ্রে খঙবদগী তনহন হঞ্জরকই। অদুবু সোরারেন্না মাবু চঙহন্দনা ইন্থোকপীবনা মমোম চংনীংখোম্বী অমদি মপারী খোরিফাবা শেৎনরে। খোরিফাবনা কপ্লবদা খোয়ুম লাইয়াম চঙদুনা থেল্লম্মী। লাইয়াম্না থেম্বা ঙমদ্রবদা চীংঙু মহাদেব লাক্লগা জটা মনা অমা থৎলগা পীরে। মহাদেব উরুবা অমদি জটা মনা ফংবদা খোরিফাবদু কপ্পা তোক্লম্মী। জতা অদুনা উকাদা লৈরাং ওইনা হৌরকই। খোরিফাববু খেক্লা নোকহনবা নাওথেম্লৈনি হায়দুনা লৈরাং লৈশং খেকৱাইবা হায়না মিংথোল্লি।

লৈশংলেন কৌবী লৈরাংদি পাম্বী কৌবী নুজা অমগী শম্লাংনা ওনখিবা লৈরাংনি। তুবী লাইরেন পাখংবা মশুংলাংগী নুজা অদু মথন্তা থৱায় থাখি। হায়নৈ সংব্রৈ মনাগী চীংহি মনম, হায়নবখক্কী নত্তে, অশেংবনি। অচম্বা ওইরমদে, লাই-তীল থাজ ৱারী থন্বীরম্মী। গুরুনা ষণ য়োংমোনবী ওল্লগা পুরুম চীংদগী তুরেলদা তাওথরকই। মপা খঙবা পাখঙবনা খোই চোপ্লিঙৈদা থেংনদুনা চিংখৎলগা পাম্বী অসি ফোয়রগা কূপশিন্দুনা থন্নম্মী। ষণবু কূপ্পুনা থম্মী হায়বগীদমক সংব্রৈ হায়না মিংথোল্লি। লাংথ্রৈ লৈরাংগী চন্নফমদি শিংথাবগী লোইনাইদে। অতিয়া গুরু শিদবনা লৈশেম্বদা লাইগী জগোয় শাবীনা খূরক্তা য়েপ্লগা জগোয় শাই। লৈরাং অসি লংথরকপদা ইরং লংনা লাংথা মপুংয়াইদা তারকই হায়বগী লাংথ্রৈ মিংথোল্লি। শৈথারিবা মতেক অমা লৌখৎচরি, *অত্যা গুরু শিদবা,/মালেম লৈসেম্মকপদা নোংদোন লাইরৈপাক্তুদা/লাইগী জগোয় শাবিনা লৈরাং সিবু য়েপ্তুনা/খুরক সনা লকাদা লৈনা জগোয় শারকই/লংথরকই লৈরাংসি ইলং-লংনা তারকই/কোলোই লাংথ্রৈ কৌই/লোইবী লমদম অঙ্গোতোন,/খুলেল লাংথ মপুংয়াই, লৈরাং মানা তাদুনা/শাৎলি হায়বৈ মহাকপু - লমদম কোলোই লৌদুনা,/লাংথারৈ হায়বদা - পোইরৈ তানা থিবনা/লৈরাংসিগী মমিংবু লাংথ্রৈ কৌই ইনিংথৌ।* মতৌ অসুম্না লৈরোন শৈথানা মপূং ওইবা পন্দুপ অসিদসু প্রমান পান্থেংগা লোয়ননা ৱাহৈ লৈচন মতাং চানা হাপ্লি। খুদম খরদং লৌখৎচরবদা খন্বা-খম্নু মচিন-মৌপ্পাগী মতিক মগুনবু অসুম্না শৈথারি, *লৈরাং মচা অমনা পাম্বীথক্তা শাৎপদা/ভাবুকশিংনা য়েংবদা লৈরাং লৈরিক অমদা-/বেদ পুরান কোটিবু ময়েক লুনা উবগুম,/লৈরাং মাগী লৈনম্না রাগ-কোটি লখাবু,/ছন্দ মখন পান্দুনা শকপদগী হেন্নবু/নুংশিনরে উনরে মোইরাং মীয়াম অদুনা।* থোইবীনা লাইদা হৈরাং কৎচগে হায়না লাইনুংদা লেঙশিনববু ৱাহোং জগোয় শাবা অমদি তেনৱানা লৈবাক্তা চৎপগা, লোন থোক্তববু য়েরূম চিন্নাইদবা হায়বনচিংবা প্রমান পান্থেংগী ওইবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়ামরুম শীজিন্নরি। থোইবীনা হৈরাং কৎপা চঙলকপদা শাংদ্রোং শাংনা তিংথোক্তুনা লাই খুরুম্লিবা খন্বদা নাকোইননা মপাউ হুমখিবা, খন্বনা লৈ কৎপা চঙলকপদা চাওবা নোংথোম্বা অমসুং থোংলেন্না ঙাঙন-শক্লুবা, চাওবনা চোপ্পা ইকায়বা নংবনচিংবা নোক্লিংৱাগী মচাশিংসু হাপ্লি। লমদমসিগী নাৎ-কলচর, লাইনীং লাইচত্তা মাইবীগী মফম চাউনা কন্দুনা লৈ, লাই হাক্তক্তগীনি। মাইবী হঞ্জবীবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা কিনা লুনা লৌনবা অমদি মখা থাবী মনাইবীশিংগী থৌদাং ময়েক শেংনা তাক্লিবা পন্দুপনি। ●

## ফ্লাইট মঙাদা মীওই ৫২৮ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা দিল্লি, গুৱাহাটি অমদি কোলকতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওই ৫২৮ ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালগী বীর তিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৮ রোম তাবা মতমদা এয়র এসিয়া (আই-৭৮৩) ফ্লাইটতা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালদা অঙাং অহুম য়াওনা পুন্না মীওই ১৩১ রোম পীশিল্লকখি। অয়ুক্কী পুং ১১.২৮ রোম তাবদনা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১০০ পুরগা দিল্লিগীদমক গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালদগী অমুক হনখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৬ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ ঈ ৭০৭) ফ্লাইট অসিনা কোলকতাদগী পেসেঞ্জর ১৭২ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিমক্লা নুংথিল পুং ১.৩৩ রোম তাবদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ১৫০ পুরগা কোলকতাগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ ঈ ৬৭৩৮) ফ্লাইট অসিদা গুৱাহাটিদগী পেসেঞ্জর ৫৩ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিল পুং ১.৮৯ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর মঙা পুরগা অমুক হনখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং ১২.৫৫ রোম তাবা মতমদা এয়র ইন্দিয়া (এ আই ৭৪১) ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদগী দিমাপুর ফাওরগা পুন্না পেসেঞ্জর ২১ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিলগী পুং ১.২৬ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ২১ পুরগা গুৱাহাটিগীদমক অমুক পায়খি।

নুংথিল পুং ২.১৪ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া (এ আই ৮৮৯) ফ্লাইট অসিদা দিল্লিদগী পেসেঞ্জর ১৫১ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিলগী পুং ৩.১০ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১০৭ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা মীওইশিংগী মনুংদা এ আর অমদি অসাম রাইফলসগী জৱান খরা য়াওরকখি। মখোয়শিং অদু আর্মি ক্বারন্টিন সেন্টদা থম্নবা পুখি। লোয়ননা অতৈ মীওইশিংনা মণিপুর স্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা পুরগা ঘাড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা থম্লবা মতুং তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিং লাক্তুনা মখোয় মশা মশাগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্নবা অমুক পীখি হায়রি।

## কোংবা মরুদা উ চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি কাউন্সিলগী ২০শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা কোংবা মরু লাইফমলেনগী চীংখোঙদা উহৈ পানবা উ চারা মখল কয়া থাখ্রে।

মপি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল, নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লুপগী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মা অমদি কোংবা মরু লাইফমলেন অপুনবা শেমগৎ লুপকী প্রসিদেন্ট লুৱাংচা অরাম্বম নিংথৌজাওনা লুচিংদুনা উ চারাশিং অদু থাখি। উচারা থাখিবা অদুগা মরী লৈননা মপি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন বিমোলনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না ফজবা মফমদা ৱা খন্নবগী মহৎ মীওইবা খুন্নাইনা চংদবা য়াদ্রবা ঈশিং অসি মপুং ফানা ফংবা ঙম্নবা কোংবা মরু লাইফমলেনদা উ চারা থাবনি। চীং অসিবু শেমগৎপা ওইনা উ থাবগী ফিরেপ অমগা লোয়ননা চত্থবনি। মপি কাউন্সিল অসি কুমজা ২০০১দা শেম্লকপদগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগা লোয়ননা থবক কয়া তৌদুনা লাকই। মীওই কয়ানা কান্নগদবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবীরকপা থাগৎপা ফোঙদোকই।

কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেং অসিদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি। লাইচৎ অসি অমত্তা ওইনা থেংনরগা লমদম অসিদা মখা তানা শন্দোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মখা তাখি।

## / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী অৱাংদা খজিক্তং চৎলগা লৈবা লাইফম খুনৌদা পোইন্ট ১১ পাক চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা লৈরগদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বরশিং অসিদগী অকূপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি। কনাগুম্বা ব্রোকর ওইরগদি ফোন তৌবগী খুদোংচাবা লৈজরোই। লৌবীগে খনবা মীওইখক্তমক তৌবীরকপা য়াগনি।

HL-P/7222/30 # 7085652976, 7085653538

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 196/SDC/IW -L/2020**

1) Nongmaithem Mema Devi W/o Biramani Singh of Lairenkabi Maning Leikai.
2) Moirangthem Shantibala Devi W/o Thoidingjam Shashikumar Singh of Khurai Thoidingjam Leikai.
3) Moirangthem Mema Devi W/o (L) Khamba Singh of Lairenkabi Maning Leikai.
4) Abujam Tombi Devi W/o Ibotombi Singh of Salam Maning Leikai.

*...Petitioners*

-Vs-

(Late) Chandam (N) Tamu Devi W/o Khomei Singh of Lairenkabi.

... O.P. Party

/ **NOTICE**

The 29/06/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার চান্দম নিংঙোল তামু দেবী পীং খোমৈ সিংহ সাং লাইরেনকাবীগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৮ - লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৮/২০৯, দাগ নং ১৪৬/২৯০, এরিয়া ০.২৬ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/7221/30 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

## /DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate of High School Leaving Certificate Examination bearing Roll No. 12183 of 1983 issued by BOSEM and My appointment order of Fishery Dept. of 1980, February on the way between Konthoujam and Langjing on 27th June, 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Laishangbam Nabachandra Singh**
Konthoujam Makha Leikai, # 8974511808

HL-P/7028/30

## /নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপানদা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা,

**Naorem Ibomcha**

খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/7203/27 june to 26 july

## /মরোল থোকপা লাই




**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 197/SDC/IW -L/2020**

1) Hijam Kanta Meitei S/o (L) H. Manglem Singh of Lamsang Mayai Leikai.
2) Hijam Devadas Singh S/o (L) -do- of -do-
3) Hijam Manimohon Singh S/o (L) -do- of -do-
4) Hijam Debabarta S/o (L) -do- of -do- *...Petitioners*

-Vs-

(Late) Hijam Manglem Singh S/o (L) Maichao Singh of Lamsang.

... O.P. Party

/ **NOTICE**

The 29/06/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার হিজম মংলেম সিংহ পীতা মৃত মাইচোন সিংহ সাং লমসাংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৩ - লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ৭০, দাগ নং ২৭৬, এরিয়া ০.১৯ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/7221/30 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

## / মাইক্রো ফাইনান্সশিং মহৌশাগুম শেল পীবিয়ু

হৌজিক মালেমদা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী লায়রবা নোংমগী শূজ-নোমজরগা করবার মচা-মচা তৌজদুনা হিংজরিবা লমদমসিগী নুপী ওইবীশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। হান্নগী লৈজরম্বা শেনফমশিংসু নোংমগী ইমুং-মনুংগী চান-থক্লবা অমদি হিংনবা হোৎনবদা লোইথোকখিবদগী হৌজিক মখা তানা হিংনবগীমক কারবারগী লল্লোনশেন লৈতবগী অৱাবা ফীভম অমা চাউনা মায়োক্লরি। ফীভমসিদা মীয়ামদা হৌদোকশেল ওইনা অপিকপা মখলগী লৈঙাক্তগী লোন পীবিনবা হায়জবগী পাম্বৈ লৈজদ্রবা লায়রবা মীয়ামদা শেল থাদবীনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মাইক্রো ফাইনান্স ওর্গনাইজেসনশিংনসু লৈবাক্কী মীয়াম্না অথিংবা লৈরে হায়দুনা শেল থাদবা লেপখিবগী থবক অসি তৌবীগনু। মহৌশাগুম মীয়ামদা অরাইবা মওংদা লোন পীথবীদুনা শেলগী মতেং ফংহনবীয়ু। মাইক্রো ফাইনান্সশিংগী মথক্তা লূপ কয়ানা থন্বীরিবা অথিংবশিং অসি খরদং ওইরবসু কোমথোকপীদুনা নুপীশিংদা মহৌশাগুম্না লোন পীবগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু। হীরমসিদা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীদুনা মতেং পাংহনবীনবা হন্না-হন্না হায়জরি।

**হায়জরিবী :- ঐচ মেমতোম্বী দেবী**
**সেন্টর চীফ, লনচেনবী এস ঐচ জি, লৈশাংথেম অৱাং লৈকায়**

HL-P/7217/30

## / মাইক্রো ফাইনান্স তৌরিবশিংনা লোন পীবিয়ু

কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা খম থেংনা ৱারবা তাঙ্ককসিদা হিংননবগী থৌশিল থৌরাং অমসুং থবক্তি লেপ্পা য়াদ্রি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরুবনা উপায় শম্নবা শেল্লেপ লৈতবদগী অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগা পাঙ্খক ওইররে। বেঙ্কতগী শেল পুবা হায়বসি লায়রবশিংদি ওইথোক্তে। লৈকায়দগী পুগদবসু শেন্দোইগী চাং য়াম্না চাউই। মাইক্রো ফাইনান্সশিংদদি শেন্দোইগী চাংদি অপিকপা ওইরি। লালহৌ লূপ অমদি লূপশিংনা অথিংবা থমখিবদগী মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবা লেপখ্রে। অপিকপা শেনে দাইদা লোন লৌজরগা হিংননবা হোৎনজরিবা ঐখোয়গী লম্বী লৈশিল্লক্ত্রে। মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবিয়ু অমদি মখোয়দা অথিংবা থল্লিবা অসি লেপ্পীয়ু।

**হায়জরিবী :- কে ঙাম্বী**
**লাইজ এস ঐচ জি য়াইরিপোক অংথা ময়ায় লৈকায়**

HL-P/7217/30

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref :- Mut. Case No. 104/SDC/IW/LC of 2020**

1) Thingnam Rajen Singh S/o (L) Amumacha Singh of Naran Konjin Mayai Leikai.
2) Thingnam Matum Singh S/o (L) Gambhir Singh of -do-
3) Thingnam Jugindro Singh S/o (L) -do- of -do-
4) Thingnam Sanjoy Singh S/o (L) Damu Singh of -do-
5) Thingnam Sanjit Singh S/o (L) -do- of -do-
6) Thingnam Suresh Singh S/o (L) Sanajaoba Singh of -do-

-Petitioners

-Vs-

1) (L) Thingnam Madhu Singh S/o (L) Madan Singh of Naran Konjin
2) (L) Thingnam Amumacha Singh S/o (L) -do- of -do-
3) (L) Thingnam Gambhir Singh S/o (L) -do- of -do-
4) (L) Thingnam Shelung Singh S/o (L) -do- of -do-
5) (L) Thingnam Mohon Singh S/o (L) -do- of -do- Opposite Parties.

/ **NOTICE**

Lilong Chajing, the 29th June, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুন নং ৭৩- নরান কোঞ্জিনগী অরিবা পাট্টা নং ১০৩, অনৌবা পাট্টা নং ৫২, দাগ নং ১৩, এরিয়া ০.৬৫০০০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং (১) থিংনাম মধু সিংহ পীং মৃ: মদন সিংহ নরান কোঞ্জিন (২) ঐ অমুমচা সিংহ পীং মৃ: ঐ সাং তথা (৩) ঐ গম্ভীর সিংহ পীং মৃ: ঐ সাং তথা (৪) ঐ শেলুং সিংহ পীং মৃ: ঐ সাং তথা (৫) ঐ মোহোন সিংহ পীং মৃ: ঐ সাং তথা মখোয় মঙামক মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমিংদা লৈরিবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নর নং (১) গী ০.১৩৪০০ একর, পিটিস্নর নং (২) অমসুং (৩) গী ০.১৭২০০ একর, পিটিস্নর নং (৪) গী ০.০৮৬০০ একর, পিটিস্নর নং (৫) ০.০৮৬০০ একর অমসুং পিটিস্নর নং (৬) কী ০.১৭২০০ একরশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong Chajing**
**Imphal West**

HL-P/7220/30

## /ওজা ABDUL HAK, PILES কী কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অৱাবা খাঙলকখি। খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোংদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোংদা চেকখায়রগা থুপ্পা, শাবা, শৌজ নান্থরকপা, খূৎনা ইনখৎত্রিবা ফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যাষ্টিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবনি। পুন্নমক অসি ঙসিদি ওজা **অব্দুল হক** কী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগা তানজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলস নাবগী অৱাবা পুন্নমক অদু কোক্লে। মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা তৌহনবীখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

**Contact No. :** 8794429681, 8014623756

*থাগৎচরিবা :* **Y. Surjit**
Phura Makhong, Nambul Mapan

HL-P/6782/30

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।